**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-02-2026)**

**সনাজাউবা (এল)ঃ** রাজ্য সভাগী এম.পি. মহারাজ সনাজাউবা লৈশেম্বনা রাজ্য অসিদা ইলেক্তোনিক অমদি ইলেক্ত্রিকেলগী পোৎলমশিং পুথোকপা ঙমবা পাব্লিক সেক্তর অন্দরটেক্কিং (পি.এস.য়ু) গী ফেক্তরি লিংখৎপীনবা কেন্দ্রদা তকশিনখ্রে।

রাজ্য সভাদা ঙসি জিরো অৱারগী মতমদা শ্রী সনাজাউবনা হায়-মীওই লাখ ৩০ খরা হেন্না লৈবা রাজ্য অসিদা হৌজিক ফাওবদি অচৌবা উদ্যোগকী কোরপোরেট হাউস অমত্তা লৈত্রি। মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা ইলেক্ত্রোনিক, ইলেক্ত্রিকেল, কম্প্যুটর অমদি অতৈ ইঞ্জিনিয়ারিংগী লমদা হৈথোই শিংথোইরবা নহা কয়া লৈরি। মখোয়দা থবক ফংহন্নবগীদমক অসিগুম্বা ফেক্তরিশিং লিংখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা রাজ্য অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবতা নত্তনা নহারোলশিংনা দ্রগ লান্না শিজিন্নবনচিংবা অরানবা লম্বীদা চৎখিগদবদগী কনবগা লোয়ননা জাতি অসি শেমগৎপদা শরুক য়াবা ঙমগনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

**এমপি (এল)ঃ** লোক সভাগী এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হায়রি-লমদম অসিদা শান্তি, পামদবা অমদি ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা য়ানিংদবা মীওই কয়া লৈরি। মসিমকা রাজ্য অসিদা হিংশাগী থৌদোক কয়া থোক্লকপনি। মসিমক য়ামা লাইবক থিবনি হায়নসু শ্রী বিমোলনা মখা তাখি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** নোংমগী ওইবা কংগ্রেসকী পোলিটিকেল মীতিং অমা ঙসি নোনে জিলাগী রেংপাং খুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিতি-

তমেংলোং অমসুং নোনেগী প্রসিদেন্ট-অদাই ফাউমৈ, নুঙবা কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-কচামথাই দৌগাংমৈ, হান্নগী এ.দি.সি. মেম্বর-জিনো কামৈ অমদি দলগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

**গোবিন্দাস (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়রি-রাজ্য অসি হৌজিক মহৌশাগী ফিভমদা হনজিল্লক্লে হায়না লৌবা য়াদ্রি। মফম খরদা চরাংনবা লৈরি। মন্ত্রিনা হায়-অদুমওইনমক, কা হেনবা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি।

ইম্ফালগী ৱাংখৈ হায়স্কুলদা ৯ লক শুবা পরিক্ষা পে চরচাগী থৌরম য়াওবা লাকপদা চুরাচান্দপুরদা থোক্লিবা ইরাংগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মন্ত্রিনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

**ত্রেন্নিং(এল)ঃ** রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) হোস্পিতাল ইম্ফালগী নর্সিং দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা নর্সশিংগী নোংমগী ওইবা ত্রেন্নিং অমা ঙসি হোস্পিতাল অসিগী ন্যুরো ইন্টেন্সিব কিয়ার য়ুনিটতা পাঙথোকখ্রে।

ফার্ষ্ট রেসপোন্দর ইন পেসেন্ট কিয়ার হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদুদা রিমসকী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-জি.সুনিল কুমার শর্ম্মা, রিমসকী মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট-প্রোফেসার এন. সঞ্জিব সিংহনচিংবা শরুক য়াখি। ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদুদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**প্রোগ্রাম(এল)ঃ** পেরেন্টিং অমসুং লিগেল রাইটশিংগী খুখাংদা নুপীদা শক্তি পীবা হায়বসিদা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু ভাব তাহন্নবগী থৌরম অমা ঙসি চান্দেল জিলাগী থমলাখুরেলদা পাঙথোকখ্রে।

মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমদি লমকাং নাগা সনুলোকনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অখণ্ড অহৈশিংনা তোঙান তোঙানবা

হীরমদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা মীওই ১২০ লোমনা শরুক য়াখি।

**লৈকোল (এল)ঃ** লৈমরোল খোজেঁকোল (লৈকোল) মনিপুরনা শিনদুনা মহারাজ কুমারী বিনোদিনি দেবীগী ১০৪ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী সেন্ত্রেল লাইব্রেরীদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৈকোলগী চেফোং অমসু ফোংখি।

**পিএমঃ** পরিক্ষা পে চরচাগী ৯ শুবা এদিসনদা ঙসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মহৈরোইশিংগা ৱারী শান্নখ্রে।

ঙসি থাদোরকখিবা ভিদিও অমদা প্রধান মন্ত্রিনা মহৈরোইশিংগা পরিক্ষাদা ৱাখল লাংতকবা অমদি লৈতাদবা মতৌ করমা কোকহনগদগে হায়বদুগী মতাংদা ৱারী শান্নখি।

শ্রী মোদিনা মহৈরোইশিংদা মখোয় মশানা মশাদা থাজবা থম্বগা লোয়ননা মহৈরোইশিং অসি অমগা অমগা মান্নদে। মশাগী ওইবা তোঙাননা লৈজরিবা মওং অদু শিজিন্নদুনা মহৈ মশিং তমগদবনি হায়বা পাউতাক পীখি। মহাকা হায়-মহৈরোই খুদিংমকা মশা মশানা পরিক্ষা কমদৌনা মায়োকগদগে হায়বদুগীদমক শেম শারিবা অদুদা মপুং ফানা থাজবা থমগদবনি। মদুগী মথক্তা মহৈরোইশিংনা ওজাশিং, মখোয়গী মমা-মপাশিং অমদি লমজিংবীরিবশিংনা পীবা পাউতাকশিং পুকিং চংনা তাগদবনি অমদি কান্নবশিং অদুদি লৌশিনগদবনি। ওজাশিংনসু মহৈরোই খুদিংমক্কী খঙবা ঙম্বগী চাং অদু নীংথিনা য়েংশিনগদবনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মহৈরোইশিংনা লাইফ স্কিল অমসুং প্রোফেস্নেল স্কিল অনিমক্তা মীৎয়েং চংগদবনি। মহাকা হায়-অফবা ওজাশিংনা পরিক্ষাগীদমক অঙাংশিংবু তাকপী তম্বীবগী মহুৎতা মখোয়না তম্বীরিবশিং অদুগী পুন্সিদা চন্নফমসু মহৈরোইশিংদা নীংথিনা খঙহনগদবনি। মহৈ মশিং তম্ল হায়বসি পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংনবা খক্কী নত্তে। মসিদি পুন্সিদা মায় পাকবগী পাম্বৈ অমা

ওইনা লৌগদবনি। মহৈরোইশিংনা স্কুলগী মতমদা মখোঙ শেংনবা হোৎনগদবনি। অদুগা কম্পিটেটিব ইগজামিনেসনশিংদি মতমনা পুরক্কদবনি হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা মখা তাখি।

শিক্ষা মন্ত্রালয়না হায়-পরিক্ষা পে চরচা অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মাই গোভ পোরটেলগী খুথাংদা মহৈরোই, ওজা অমদি মখোয়গী অহল লম্মন কোতি মরি লাখ ৫০ হেনবনা রেজিস্তার তৌরকখি। শিক্ষা মন্ত্রি-ধমেন্দ্র প্রধাননা হায়-পরিক্ষা পে চরচা থৌরম অসিনা তোঙান তোঙানবা চহি কাংলুপকী মহৈরোই কোতি কয়াগী পুকিং থৌগৎলি। ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী প্রধাননা হায়-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মহৈরোইশিংগা ৱারী শান্নবা অদুনা মহৈরোইশিংগী থাজবা হেনগৎহনবগা লোয়ননা মখোয়গী ৱাখল্লোন ফোংদোকবগী তঞ্জা অমসু পীরি।

শিক্ষা মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং মখাদা রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফালগী ৱাংখৈ হায়স্কুলদা ৯ লক শুবা পরিক্ষা পে চরচাগী থৌরম পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা সিংহ, মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ, উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোসি দিখো, মন্ত্রিশিং-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, খুরাইজম লোকেন, এম.এল.এ. তোংব্রম রোবিন্দ্রো অমদি চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়ল অমদি অতৈ মকোক থোং ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহগী নুমিৎ নিনিগী জম্মু কাশ্মির খোঙচৎকী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা অন্তরজাতিগী ঙমখৈ পরিংদা লৈবা কাথুৱা জিলাগী হিরানাগর সেক্তরদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। মন্ত্রিনা বোর্ডর সেক্যুরিতি ফোর্স (বি.এস.এফ) কী পার্সোনেলশিংগী য়াইফ থৌরাংগী স্কিমশিংসু হৌদোকখি।

শ্রী সাহনা হিরানাগর সেক্তরগী গুরনাম অমসুং বোবিয়িয়ান আউট পোষ্টশিংদা চৎখি অমসুং মফমশিং অদুদা নারোন্দা মী চংল্লকপা থিংনবা

বি.এস.এফনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অদু য়েংশিনখি। মন্ত্রিনা বি.এস.এফকী পার্সোনেলশিংগসু ৱারী শান্নখি।

তুংদা, মন্ত্রিনা ঙসি জম্মুগী লোক ভাবনদা পাঙথোকপা সেক্যুরিতিগী অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা সভাপতি ওইনা শরুক য়াখি। মীতিং অদুদা উপ রাজ্যপাল-মনোজ সিনহা, হোম এফিয়ার্স মন্ত্রালয়গী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং, পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংগী মকোকশিং, পুলিস অমসুং সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসনগী মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়ামরুম শরুক য়াখি।

শ্রী সাহনা হয়েং অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা জম্মু কাশ্মিরদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংসু য়েংশিনগনি।

**রাজ্যঃ** ২০২৬-২৭ ফাওবদা লৈবাক অসিগী লৌমী কোতি ১১ দা মখোয়গী আইদেন্টিফিকেসন কার্ড (আই.দি) পীনবা সরকারনা পান্দম থল্লি।

রাজ্য সভাদা ঙসি ৱাহংশিংগী পাউখুম পীবদা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হায়-হৌজিক ফাওবদা পুন্না লৌমী কোতি ৮ লাখ ৪৭ হেনবদা মখোয়গী আইদেন্টিফিকেসন কার্ডশিং পীখ্রে।

মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী রাজ্য ১৯ গী লৌমীশিংদা মখোয়গী আই.দি. ফংহনখ্রে। রাজ্যশিং অদুগী মনুংদা-উত্তর প্রদেস, অন্ধ্র প্রদেস, অসাম, বিহার, ছাতিসগর, গুজরাট, হরিয়ানা, হিমাচল প্রদেস, করনাতক, কেরলা, পঞ্জাব, উরিষ্যা অমসুং তেলঙ্গানা য়াওরি। লৌমী কোতি অনি লাখ ৯০ নেসনেল ক্রোপ ইন্সুরেন্স পোরটেলগা শমহল্লে।

মন্ত্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা অমদি মীয়ামদা মচি ওইবা চিঞ্জাক ফংহন্নবা সরকারগী লৌউ শিংউগী থৌশিলদা অখন্নবা মীৎয়েং চংলি।

**সংসদঃ** বিরোধিনা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিংগী মতাংদা সভাদা চরাংনবা

থোকহনবদগী লোক সভাগী মীফম ঙসিগী ওইনা য়েথোকখি। সভাগী মীফম অহানবা ওইনা য়েথোক্লকরবা মতুং ঙসি নুমিৎয়ুংবদা সভাগী মীফম অমুক হৌনবা তৌরকপদা কংগ্রেস, ত্রিনামুল কংগ্রেস অমসুং দি.এম.কে. য়াওনা বিরোধি সদস্যশিংনা সভাগী ময়াইদা চংশিল্লক্তুনা সরকারগী মায়োক্তা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

অধ্যক্ষনা সভাগী মীফমদা অয়েৎপা পীবিদনবা অমদি মশা মশাগী ফম্ফমদা ফমবা সদস্যশিংদা হায়খি। বিরোধিগী চরাংনবা মরক্তা মরী লৈনবা মন্ত্রালয়শিংনা মখোয় মখোয়গী চেরোলশিং পুথোকখি। অধ্যক্ষনা হন্না হন্না আপিল তৌরবসু বিরোধিগী সদস্যশিংনা লেপ্তুনা চরাংনবা ফিভম থোকহনবদগী ঙসিগী ওইনা সভাগী মীফম য়েথোকখি। ২০২৬-২৭ কী কেন্দ্রগী বজেটকী মতাংদা খন্নগদবা অদুসু ঙমখিদে। সভাগী মীফম নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অমুক হৌগনি।

মদুগী মমাংদা, ঙসিগী ওইনা লোক সভাগী মীফম হৌনবা তৌরকপদা অধ্যক্ষ-ওম. বিরলানা ক্বোইসন অৱার লৌখৎনবা হোৎনখি। অদুবু, বিরোধি সদস্যশিংনা খোল্লাউ কয়া লাউবা হৌরকখি। বিরোধি সদস্যশিংগী থৌওং অদুদা শ্রী বিরলানা নুংঙাইতবা ফোংদোকপগা লোয়ননা সভাগী মীফম নীংথিনা চথবা য়াহনবীনবা হায়জখি। মহাকা হায়-সভাগী মীফমদা অয়েৎপা পীরকপদগী পুং ১৯ হেনবগী মতম অরেম্বদা মাংখ্রে। সভাদা অতমনা চরাংনবা থোকহন্নবা হোৎনবগীদমক অধ্যক্ষনা বিরোধিদা মরাল শিখি।

মহাকা হায়-সভাদা ৱাফম কয়া কান্নবা মওংদা খন্নবা ঙমবগীদমক সদস্যশিং অদুবু লৈবাক অসিগী মীয়ামনা খল্লকপনি। অদুবু মখোয়না স্লোগান লাউদুনা অমদি প্লে কাডশিং পায়দুনা সভাগী মীফমদা অয়েৎপা পীরি। মদুনা মরম ওইদুনা ঙসিগী মীফম নুমিৎয়ুংবা ফাওবা য়েথোকখি।

**বেতিঃ** সরকারনা হায়রি-বেতি বচাউ, বেতি পরাউ স্কিম অসি থৌশিল থৌরাং

অমা ওইরম্বদগী হৌজিক্তি সরকারগী এজেন্সিশিং, কাংলুপ কয়া, মেদিয়া, সিভিল সোসাইতি অমদি মীয়াম য়াওনা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা শরুক য়াবা জাতিগী ওইবা ইহৌ অমা ওইরক্লে।

লোক সভাদা ঙসি ইদুনা পীবা পাউখুমদা ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রি-অন্নপুরনা দেবীনা হায়-জাতিগী থাক্তা পোক্লকপদা নুপী ওইবগী চাং ২০১৪-১৫ দা ৯১৮ ওইরম্বদু ২০২৪-২৫ দা ৯২৯ দা হেনগৎলে অমসুং সেকেন্দরি থাক্তা নুপীমচাশিংনা মহৈ তম্লকপগী চাংসু ২০১৪-১৫ দা চাদা ৭৫.৫১ ওইরম্বদু ২০২৪-২৫ দা চাদা ৮০.২ দা হেনগৎলে।

মহাকা হায়-বেতি বচাউ, বেতি পরাউ স্কিম অসি ২০১৫ গী জানুৱারী ২২ দা পোক্লকপা নুপীমচাগী মশিং হেনগৎহন্নবা অমসুং নুপীমচাশিংদা শক্তি পীনবা অমসুং নুপীশিংদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগী ৱাফমগা মরী লৈননা হৌদোকখিবনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা হয়েং কুলালম্পুরদা চৎলগনি। প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসি মালেসিয়াগী প্রধান মন্ত্রি অনৱার ইব্রাহিমনা বার্তন তৌরকপগী মতুংইন্না লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা চৎকদবা খোঙচৎ অমনি।

খোঙচৎ অসিগী মতাংদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী সেক্রেতরি (ইষ্ট) পি. কুমারননা পাউমীশিংদা হায়- প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসি থা অসিগী ৭ তগী হৌগনি। প্রধান মন্ত্রিগী কুলালম্পুর খোঙচৎ অসি হন্দক্কী অসিনা অহুম্লক শুবনি।

অমরোমদা, প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা ১০ শুবা ভারত-মালেসিয়া সি.ই.ও ফোরমস্ পাঙথোক্কনি। মসিদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মালেমসিয়াগী মরুওইবা কম্পনিশিংগী সি.ই.ওশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি।

**---স্পোর্টস ট্যন---**

**পোলো ঃ** মনিপুর হোস রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন ইম্ফালনা শিনদুনা অনিশুবা ডাক্তর কে.এস.ঐচ. চৌরজিৎ সিংহ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৬, থা অসিগী ৮ দগী ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা হৌরগনি।

**গেমসঃ** রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ এদুকেসন (এস) না শিনদুনা ষ্টেট লেবেল স্কুল স্পোর্টস মিট ২০২৬, থা অসিগী ৮ দগী ১২ ফাওবা ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

**তাইকুন্দো ঃ** ওল মনিপুর তাইকুন্দো এসোসিয়েসননা শিনদুনা ৩৪ শুবা মনিপুর ষ্টেট তাইকুন্দো চেম্পিয়নসিপ, থা অসিগী ৮ দগী খুম্মন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌরগনি। হৌদোকপগী থৌরমদা রাজ্যগী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস বিভাগকী সেক্রেটরি-নাওরেম প্রবিন, দাইরেক্তর-ডা: ময়েংবম ভেতো সিংহ শরুক য়াগনি।

**ফুটবোল ঃ** ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা শান্নখিবা নুপাগী মেটচতা-ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা নম্বুল মপাল এঠলেটিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসনবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

নুপী মেটচতনা-ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা আই.সি.এস.এ. ইরেংবমবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** এল.এম.এল.সি.সি. লাংমৈদোংনা শিনদুনা চখুরিবা তরুকশুবা

ভিলেজ লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-হৈবুংমখোঙ এফ.সি. উচিৱানা এল.এম.এল.সি.সি. লাংমৈদোংবু পাঞ্জল ১০-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** বিষ্ণুনহা য়ুথ ফেদরেসন, য়াইরিপোকনা শিনদুনা অনিশুবা য়াইরিপোক ত্রোফি মনিপুর ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট, টিম ১৭ না শরুক য়াদুনা ঙসি য়াইরিপোক্তা লৈবা ফেদরেসন অসিগী গ্রাউন্দদা হৌখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচতা-বি.ৱাই.এফ.ৱাই (এ) অমসুং মনিপুর য়ুনাইটেদ পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখি।

**বোদি ঃ** তেলঙ্গানাদা হয়েংদগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৬ শুবা মেন্স জ়নিয়ার মাস্তরস দিবিয়াং লেদিজ বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নসিপতা মনিপুরগী মহুৎ শিনদুনা শান্নগদৌরিবা শান্নরোইশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না ওল মনিপুর বোদি বিল্ডিরস এসোসিয়েসননা হায়রি।